### মেরি কোমনা ঙাকপীনবা হায়খ্রে

# শান্নবদা মায় পাকপা অমসুং মায়থীবা হায়বসি পূন্সিগী শরুক অমনি : মোদি



ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী):
ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৬লক ওইবা ঙমখ্রবী লন্দন ওলিম্পিক গেমসতসু ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রবী এম সী মেরি কোমনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ফংলকখিদবা অদুগীদমক ঙাকপীনবা হায়খিবদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শান্নবদা মায় পাকপা অমসুং মায়থীবা হায়বসি পূন্সিগী শরুক অমনি। মহাক্না চহী ১০ হেন্না ইন্দিয়াগী নুপী শান্নরোয়শিংগী লমজিং মৈরা ওইদুনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌখ্রবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইন্দিয়ন ওলিম্পিক কন্টিঞ্জেন্ট অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ব্রেকফাষ্ট চামিন্নবদা ফোঙদোকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এম সী মেরি কোমদা মহাকপু পার্লিয়ামেন্টতা উদবা কুইরে হায়না ফোঙদোকখিবদা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরিবী এম সী মেরি কোমনা মহাক্না প্রেক্টিস তৌরিঙৈদা মতম ফংদবনা পার্লিয়ামেন্ট লাকপা ঙমখিদবনি হায়খি।

নুপীগী বোক্সিং অসি ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা ওইনা কুমজা ২০১২গী লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা হৌদোকখিবনি। মদুদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা এম সী মেরি কোমনা শরুক য়াখিবদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলক্তুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী অহানবা বোক্সর ওইনা ওলিম্পিককী মেদল লৌখিবনি। মেরি কোমনা শরুক য়াখিবা ইন্টরনেসনল কম্পিটিসন অয়াম্বদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রবনি। ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ, এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ, এসিয়ন গেমস অমদি অতোপ্পা মমিং লৈরবা বোক্সিং টুর্নামেন্ট কয়াদসু মকোক থোংবা ঙল্লগা ওলিম্পিক গেমসকী গোল্ড মেদল অমা ফংননবা মহাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবনি।

অদুবু হন্দক লোইশিনখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ফ্লাইৱেথ কেটেগোরিগী রাউন্দ ওফ ৩২গী বাউটতা দোমিনিকন রিপব্লিককী বোক্সর মশাগী চহী ২৩দা ঙাইরিবী মিগেলিনা হার্নান্দেজপু ৪-১দা মায়থীবা পীরবা মতুং প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা কলম্বীয়াগী বোক্সর ইনগ্রিট ভেলেন্সিয়াগী মখুৎতা য়াম্না নক্কবা স্কোরদা ২-৩দা মায়থীবা নংদুনা মেদল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদবনি।

মেরি কোম ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ৬, সিলভর ১, ব্রোঞ্জ ১গসু ফংখি। এসিয়ন গেমসতা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ ১, কমনৱেল্থ গেমসতা গোল্ড ১ লোয়ননা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড ৫ অমসুং সিলভর ২ ফংবা ঙমখি। মহাক্না ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয়শিং অসিবু অনৌবা থৌনা পীখিবনি হায়না মোদিনা মখা তাখি।

# সিমরন অমসুং বিপাশা জুনিয়র রেষ্টলিংগী সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে



উফা, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী):
রসিয়াগী সিটি উফাদা চথরিবা জুনিয়র ৱর্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সিমরন অমসুং বিপাশা মখোয়গী তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটেগোরিশিংদা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

সিমরননা মহাক্কী সেমীফাইনেলগী লম্বেলদা রোমানিয়াগী রেষ্টলর জিওর্জিয়ানা লাভিনিয়া অন্টুকাবু টেক্নিকেল সুপরিওরিটিদা মায় পাকপা ঙমখি। অদুগা ক্বার্টর ফাইনেলদা সিমরননা অজরবৈজানগী রেষ্টলর গুর্টাকিন সিরিনোভাবু পোইন্ট য়াম্না হেন্দুনা ১৮-৮দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌরকখি। সিমরননা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫০দা ৱর্ল্ড জনিয়র রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অসি শরুক য়ারকপনি।

কিলোগ্রাম ৭৬কী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী বিপাশানা ক্বার্টর ফাইনেলদা কজাখষ্টানগী রেষ্টলর দিলনাজ মুলকিনোভাবু পোইন্ট ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সিটো (কিলোগ্রাম ৫৫), কুশুম (কিলোগ্রাম ৫৯) অমসুং অর্জু (কিলোগ্রাম ৬৮) মখোয়-মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটশিং অদু মায়থীবা নংখি। নুপাগী কাঙলূপ্তা কিলোগ্রাম ৭৪গী ফ্রীষ্টাইল কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী য়াসনা অর্মেনিয়াগী মুস্কিয়ানবু পোইন্ট ৯-২দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল প্লে ওফকীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

# এ এফ সী কপতা এ টি কে মোহন বগাননা বেঙ্গলুরু এফ সীবু ২-০দা থোইখ্রে




মালে, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব অনী এ টি কে মোহন বগান অমসুং বেঙ্গলুরু এফ সীনা ঙসি মালদিভসকী কোনুং মালেদা শান্নখিবা এ এফ সী কপ গ্রুপ দিগী অহানবা মেটচতা আই এস এলগী চেম্পিয়ন ওইরিবা এ টি কে মোহন বগাননা বেঙ্গলুরু এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে।

এ এফ সী কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি এসিয়াগী লৈবাকশিংগী ফুটবোল ক্লবশিংগী মরক্তা লম্বা তৌনবা অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবনি। এ টি কে মোহন বগান গ্রুপ মেটচ অসিগীদমক্তা দাইরেক্ট এন্ট্রি ওইনা হৌখিবা সিজনগী ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌদুনা লাকখিবনি। অমরোমদা, বেঙ্গলুরু এফ সীনা মালদিভসকী ক্লব ইগলসপু প্লে ওফতা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ মেটচ অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইরকখি।

মেটচ অদুগী অহৌবা পুংখায় অমরোমগী মতমদি টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে। পনবা য়াবদি, হৌখিবা চহী ২ অসিদা বেঙ্গলুরু এফ সীনা এ টি কে মোহন বগানগা লম্বা তৌনখিবদা মেটচ অমা ফাওবা মায় পাকপা ঙমদনা লাকখি। শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা এ টি কে মোহন বগানদা শরুক য়ারিবা ফ্রেঞ্চ মচা বোমোসনা কাওশিনখিবা বোল অদু গুরপ্রিট সিংহ সানধুনা ঙাকথোক্তুনা পাঞ্জল চলহনখিদে। শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনটতা এ টি কে মোহন বগাননা ফংখিবা কোর্নর কিক্ অমা য়েৎ থংবা কোর্নরগী মায়কৈদগী বোমোসনা কাওরকখি। হায়রিবা বোল অদু অতোপ্পা এ টি কে মোহন বগানগী শান্নরোয় সুভাসিসনা হেদ তৌশিনবদা মার্ক তৌদনা লৈখিবা এ টি কে মোহন বগানগী কেপ্টেন রোই কৃষ্ণনা পাঞ্জল অদু চল্লগা ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্বগী খূদোংচাবা অমত্তা লৈখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমা ৱিলিয়মসনা ইন্থোরকপদা টিমমেট সুভাসিস বোসনা মহাকপু মার্ক তৌদুনা লৈখিবা বেঙ্গলুরু এফ সীগী দিফেন্দর অদুবু লাম্থোক্তুনা পুশিল্লক্লগা কাওশিনবদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল ওইখি। মখা তারকপা মেটচ অদুগী লম্বাদা বেঙ্গলুরু এফ সীনা বোল হেন্না পায়বা ঙল্লবসু পাঞ্জল চনবগী খূদোংচাবা ফংবা ঙমখিদে। কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিগী মায়কৈদগী অহেনবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখিদবনা মহাক ৬৮শুবা মিনটতা ওগষ্টিননা মহুৎ শিনখি। টিম ৪গী লম্বা অসিগী মায় পাকপা টিম অদুনা ইন্টরজোনেল সেমীফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি।

# সন্দেশ জিংঘাননা ক্রোএসিয়াদা শান্নবা ঙমগদৌরিবা অসিনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী থোঙ হাংলবনি : চিংলেনসনা



কোলকাটা, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী):
ক্রোএসিয়া লৈবাক্কী নম্বর ৱান ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা পি আর ভি এ ঐচ এন এলদা শরুক য়ারিবা ক্লব ঐচ এন কে সিবেনিককা খূৎয়েক পীনদুনা সন্দেশ জিংঘাননা শান্নগদৌরিবা অসিনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগীদমক্তা য়াম্না মরুওইবা থোঙ অমা হাংলবনি হায়না টিমমেট মণিপুর মচা কোন্সম চিংলেনসনানা ফোঙদোকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগা ৱারী শানখিবা অমদা মহাক্কী সিনিয়র সন্দেশ জিংঘাননা ঐচ এন কে সিবেনিক ক্লবতা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইনা ক্রোএসিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট পি আর ভি এ ঐচ এন এলদা শান্নগদৌরিবা অসিনা মহাক্তা নৎতনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগী ওইনা য়ুরোপতা শান্নবা য়াবগী মরুওইবা থোঙ অমা হাংলবনি হায়খি।

সিনিয়র শান্নরোয় অমা ওইনা শান্নমিন্নবা মতমদা অরোইবা মীৎকুপ ফাওবা হনবা লৈতনা শান্নবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদু সন্দেশ জিংঘানদা য়াওই। মহাক্না শান্নমিন্নবা মতমদা থাগৎপগী ৱাহৈনা ফোঙদোকপদা লোইবা নাইরোই হায়খি।

সন্দেশ জিংঘানগী ৱাখলগী পাঙ্গল অমসুং ইনর্জীনা ফিল্ডদা শান্নমিন্নরিবা টিমমেটশিংদা অনৌবা পাঙ্গল অমা পীবা ঙম্বগী হৈথোই-শিংথোইবা অদু লৈ। মঙোন্দগী কান্নরবা কয়া অমা পারা ওইনা তম্বা ঙল্লি হায়খি।

ইন্দিয়াগী ওইনা হৌজিক-হৌজিক শান্নবদগী পোথাখ্রবা কেপ্টেন ওইরম্বা বৈচুং ভুটিয়ানা মীরমগী ক্লবতা শান্নবা ঙম্বা অহানবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ওইখি। মদুগী মতুংদা সুনিল ছেত্রিসু অতোপ্পা ক্লবশিংদা শান্নরুরবনি। লোয়ননা গোলকিপর গুরপ্রিট সিংহ সানধুসু শান্নবা ঙল্লুরবনি। নুপীগী ওইনদি মণিপুর মচা ঙাঙোম বালানা স্কোটলেন্দগী ক্লব রেঞ্জর্স এফ সীদা শান্নবা ঙল্লিবা অসিনা য়ুরোপতা শান্নবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী শান্নরোয় ওইরি।

সন্দেশ জিংঘানগী মতুং ইন্নিংবগী ৱাখল্লোন অদু চিংলেনসনানা শেংনা ফোঙদোরকখি। মহাক চহী ২৪দা ঙাইরিবা মরম্না সিনিয়র শান্নরোয় অদুগী মতুং ইন্দুনা লৌবা য়াবা লৌশিং কয়া লৈরি হায়খি। য়ুরোপতা ফুটবোল শান্নবা হায়বসি ইনখৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংগী মঙলান অদুম্মক ওইদুনা লাক্লি। টিম অদুগী সিনিয়র শান্নরোয়শিংনা খোঙদারবা মতুং লৈহৌরিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনসু মখোয়না শেন্নমখিবা লম্বেল অদুদা চৎপা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৈগদৌরিবনি। শান্নরোয় মশীং হেন্না য়ুরোপতা চৎতুনা শান্নবা ঙল্লবদি ইন্দিয়াগী নেসনল টিম অসিসু হেন্না টেক্নিকেলগী লম্দা অমদি ফিজি-কেলগী লম্দা পাঙ্গল হেনগৎলক্কনি হায়খি। হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসি কোলকাটাদা কেম্প তৌদুনা নেপালগা শান্নগদবা ফ্রেন্দলি মেটচ অনীগীদমক্তা শেম শারিবনি। সন্দেশ জিংঘান হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা এ টি কে মোহন বগানদা শান্নরিবনি। মহাক ইন্দিয়াগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরি।

# ফ্রান্সকী বেনো পাইরিনা মঙাশুবা সিদেদ কানাদাগী দেনিশ সাপোভালোভ মায়থীবা পীখ্রে



চিনচিনাটি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী):
য়ু এস এগী সিটি চিনচিনাটিদা পাঙথোকপা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ফ্রান্সকী বেনো পাইরিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ কানাদাগী দেনিশ সাপোভালোভপু মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

মায় পাকপা অসি পাইরিগী ওইনা কুমজা ২০১৭কী মতুংদা মালেমগী নুপাগী মকোক থোংবা টেন্নিস শান্নরোয় ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অমা মায়থীবা পীবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। অনীশুবা রাউন্দ অদুগী অহানবা সেট অদুদা পাইরিগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা সাপোভালোভকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩দা থোইখি। অনীশুবা সেটতদি সাপোভালোভকী মায়কৈদগী অমুক লাকশিল্লক্তুনা পাইরিগী সর্ভিস গেম অমা মুন্দুনা ৬-৪দা থোইরগা দিসাইদিং সেট শান্নরকপদা পাইরিনা ৭-৫দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী জোন ইস্নর অমদি ইটালিগী জানিক সিন্নর অনীগী অথোইবগা থেংনরগনি। মঙাশুবা সিদেদ ইটালিগী এম বেরিটিনিনা স্পেনগী রামোস ভিনালোসপু ৬-৭ (৫-৭), ৬-৩, ৭-৫দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী খাচানোভ অমদি কানাদাগী অলিয়াসিম অনীগী অথোইবগা থেংনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অহানবা রাউন্দদা মহাক্কী পার্টনর ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিক, ফ্রান্সকী ফেব্রিস মার্টিন অমসুং সর্ভিয়াগী ফিলিপ ক্রাজিনোবিচকী মখূৎতা ৬-১, ৪-৬, ৭-১০দা মায়থীহৌখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবশিংগী মনুংদা স্বিটজরলেন্দগী বেন্সিক, কজাখষ্টানগী পুটিনসেভা, রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং বেলারুসকী অজারেনকা য়াওরি।

## প্রিতম সোরাইসম হায়দরবাদ এফ সীদা শান্নরগনি



হায়দরবাদ, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্লব অমা ওইরিবা হায়দরবাদ এফ সীনা মণিপুর মচা লেফ বেক প্রিতম সোরাইসম ক্লব অসিগা খূৎয়েক পীনদুনা শান্নরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মণিপুর মচা প্রিতম সোরাইসমনা সিজন অসিগী ওইনা হায়দরবাদ এফ সীনা অনৌবা শান্নরোয় ৯ খূৎয়েক পীনবদা ঙসি মহাকসু য়াওখিবনি। লোয়ননা মহাক্না দোমেষ্টিক প্লেয়রশিংগী মনুংদা ৬শুবা ওইরি। চহী ২৫ শুরবা প্রিতম ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী শান্নরোয় ওইরমখি। আই লীগতা শিলোং লাজোংদা শান্নরম্লবা মতুং আই এস এলগী ওইনা কেরলা ব্লাষ্টরসতা শরুক য়ারমখি।

# ইন্দিয়াগী মিক্স টিম চহী ২০ মখাগী ৱর্ল্ড এথলেটিক্সকী ফাইনেল চঙখ্রে

নাইরোবি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী):
কেনিয়াগী কোনুং নাইরোবিদা চথরিবা চহী ২০ মখাগী ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী মিটর ৪x৪০০ রিলে মিক্স টিম ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ৪x৪০০ রিলে মিক্স টিমগী হিটশিংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অব্দুল রাজাক, প্রিয়া মোহন, সামি অমসুং কাপিলনা ইভেন্ট অদু মিনট ৩:২৩.৩৬তা চেন্দুনা চেম্পিয়নশিপ অদুগী রেকোর্দ থুগায়দুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। অদুবু মখোয়গী রেকোর্দ অদু ইকুই কুইবা ঙমখিদে। নাইজেরিয়াগী টিমনা মখোয়গী হিটতা মিনট ৩:২১.৬৬ চেন্দুনা ক্বালিফায়িং হিটশিং অদুগী খ্বাইদগী ফজবা টাইমিং ওইখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা অনীশুবা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ফাইনেল অদু ঙসি অথেংবদা পাঙথোক্কদৌরি।

চহী ২০ মখাগী ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা হৌখিবা চেম্পিয়নশিপ কয়াদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেদল ফংবা কয়া য়াওখি। কুমজা ২০০২দা সিমা অনটিলনা নুপীগী দিস্কস থ্রোদা মেদল ফংখিবনি। কুমজা ২০১৪দা অতোপ্পা নুপীগী দিস্কস থ্রো এথলিট নবজিট কোর ধিলোনসু মেদল ফংখি। লোয়ননা টোকিও ওলিম্পিক চেম্পিয়ন নিরজ চোপ্রানা ২০১৬দা গোল্ড ফংবগা লোয়ননা রেকোর্দসু থমখি। মহাক্কী রেকোর্দ অদু হৌজিক ফাওবা থুগায়বা ঙমদ্রি। অদুগা কুমজা ২০১৮দা ইন্দিয়াগী নুপী এথলিট হিমা দাসনা নুপীগী মিটর ৪০০গী লমজেলদা গোল্ড মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবনি।

## বেয়র্ন ম্যুনিকনা সুপর কপ টাইটল লৌখ্রে

বর্লিন, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী):
জর্মনিদা পাঙথোকপা দি এফ এল - সুপর কপ টাইটল অদু বুন্দেসলিগাগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকনা বোরুসিয়া দোর্টমুন্দবু ৩-১দা থোইরগা টাইটল ফংখ্রে।

সুপর কপ অসি চহী খূদিংগী জর্মনিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেস-লিগাগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং দি এফ বি পোকালগী চেম্পিয়ন ক্লব বোরুসিয়া দোর্টমুন্দগা শান্নবনি। ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহৌবা পুংখায় পাঞ্জল লৈখিদ্রবা মতুং ৪১শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা চনখি। ৪৯শুবা মিনটতা টিমমেট থোমাস ম্যুলরনা অমগা হাপচিনখি। দোর্টমুন্দগী মার্কোনা ৬৪শুবা মিনটতা ১ হন্দোক্লগা লিৱান্দোস্কিনা ৭৪শুবা মিনটতা চল্লগা ৩-১দা থোইখি।

# অর্চানা কমাথনা ৱর্ল্ড নম্বর ৫৮ থোইদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

বুদাপেষ্ট, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী):
হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা চথরিবা ৱর্ল্ড টেবল টেন্নিস কন্টেন্দর টুর্নামেন্টকী ঙরাং পাঙথোকখিবা লম্বাশিংদা ইন্দিয়াগী অর্চানা কমাথনা ৱর্ল্ড নম্বর ৫৮ রসিয়াগী য়ানা নোস্কোভাবু মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর য়ৌখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ১৩৪দা লৈরিবী কমাথনা য়ানা নোস্কোভাবু গেম ৫ চঙনা ১১-৮, ১১-৯, ৬-১১, ৫-১১, ১১-৯দা মায়থীবা পীখিবনি। অমরোমদা, টুর্নামেন্ট অদুদা ৬০শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় মনিকা বট্রানা রেঙ্ক ১১৫দা লৈরিবী জর্মনিগী সাবিন ৱিন্টরবু গেম ৫ চঙনা ৭-১১, ১১-৭, ১১-৬, ১৩-১৫, ১১-৫দা মায়থীবা পীখি। মনিকানা মথংগী রাউন্দদা ইটালিগী জিওর্জিয়া পিকোলিনগা থেংনরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী শান্নরোয় জি সাথিয়াননা টুর্নামেন্ট অসিদা ফ্রান্সকী কান অকুজুবু গেম ৩-১ (১৪-১২, ১১-৫, ৭-১১, ১১-৪)দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। সাথিয়াননা মথংগী রাউন্দদা ইটালিগী নিয়াগোল ষ্টোয়ানোভকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় হর্মিট দেসাইসু মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা হঙ্গেরিগী সামা এন্দ্রাজপু গেম ৩-২ (৬-১১, ৭-১১, ১৩-১১, ১১-৭, ১১-৪)দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী দান ক্যুগা থেংনরগনি।

মানব থাকরনা বেলারুসকী পাভেল প্লাটানোভপু ১২-১০, ১১-৯, ১১-৬তা থোইরগা মথংগী রাউন্দদা রসিয়াগী কিরিল স্কাস্কোপকা লম্বা তৌনরগনি।

ADMISSION OPEN-2021



Local Guidance : 8415999813
7005244089, 7005686065

ALLIED HEALTH TRAINERS

Join The Team Of Frontline Health Warriors, Be A Hero Of Mankind And Explore The Never Ending World Of Allied Health Careers

THE MOST POPULAR INSTITUTE OF NORTH EASTERN STATES OFFERS GOVT. OF MANIPUR RECOGNIZED ALLIED HEALTH COURSES

THE PARA-MEDICAL COURSES ARE RECOGNIZED / APPROVED BY GOVT.OF INDIA & SEVERAL STATE GOVT. AUTHORITIES/ BOARDS & PARAMEDICAL COUNCILS SINCE 1976.

ABOUT IPHH " PREMIER INSTITUTION SINCE 1976 " IN-SERVICE TRAINING PROVIDERS FOR MINISTRY OF DEFENCE, GOVT. OF INDIA, MINISTRY OF HOME AFFAIRS, GOVT. OF INDIA (ARMY, NAVY, AIR FORCE) (CENTRAL RESERVE POLICE FORCE) & VARIOUS RESPECTIVE STATE GOVTS.

Diploma Programmes 10th / 10+2

- MEDICAL LABORATORY TECH.
- X-RAY & ECG TECH.
- OPERATION THEATER TECHNOLOGY
- DIALYSIS TECH.
- ANAESTHESIA TECH.
- OPHTHALMIC TECHNICIAN
- DENTAL TECH./HYGIENIST
- PUBLIC HEALTH & SANITATION TECH.
- PRE & POST HOSPITAL CARE ASST.
- CARDIO VASCULAR CARE TECH.
- EMERGENCY MEDICAL TECH.
- GENERAL DUTY ASSISTANT
- HOSPITAL ADMN. & MANAGEMENT
- CATH. LAB. TECH.
- PHYSIOTHERAPY
- CT / MRI TECH.

B.Sc in : (Eligibility : 10+2 with PCB/PCM)

Regular Degree Courses- Authorized affiliated centre of Starex University, Gurugram

- MEDICAL LABORATORY TECH. (BMLT)
- RADIO - IMAGING TECH.
- DIALYSIS TECH.
- OPERATION THEATER TECH.
- OPTOMETRY
- PHYSIOTHERAPY
- CARDIAC TECH.
- MICROBIOLOGY
- PERFUSION TECH.
- CRITICAL CARE TECH.
- M.Sc MEDICAL LABORATORY TECH.

Lateral Entry From Diploma to Degree available

For online admission / prospectus , please visit www.iphhparamedic.in NO CAMPUS VISIT REQUIRED

INSTITUTE OF PUBLIC HEALTH & HYGIENE

RZ-A-44, Mahipalpur, New Delhi-37 Phone : 011-26786846, 26786847 Mob. : 09811817972
Email : iphh76@gmail.com Visit us : www.iphhparamedic.in

Hot Line Enquiry : 09811817972. 8178552287


HL-B/7060/19

## কে এল রাহুল ৩৭শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে

দুবাই, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী):
ইংলেন্দবু ২শুবা টেষ্ট মেটচতা রন ১৫১দা থোইবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী ওপনর কে এল রাহুলনা আই সী সীগী টেষ্ট ক্রিকেটকী ওইবা খ্বাইদগী নৌবা মকোক-মথং তাবগী পরিংদা থাক ১৯ হাইগৎলগা ৩৭শুবা থাক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

রাহুলনা মায় পাকখিবা টেষ্ট মেটচ অদুগী অহানবা ইন্নিংসতা রন ১২৯ লৌদুনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। মহাক হৌখিবা চয়োলদা ৫৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৩৭শুবা পোজিসনদা হাইগৎলকপনি। কেপ্টেন ভিরাট কোহলি ৫শুবদা লৈরি। লোয়ননা রোহিট শর্ম্মা অমসুং রিশব পন্ট মথংশিংনা ৬শুবা অমসুং ৭শুবা পোজিসনদা হোংদনা লৈরি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 204

GM Cheparinov, Ivan (2667) - GM Svane, Rasmus (2615)
FIDE World Cup 2021 Krasnaya Polyana RUS, 2021.07.17

| | | |
|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nf3 d5 |
| 4.g3 Be7 | 5.Bg2 O-O | 6.O-O dxc4 |
| 7.Qc2 a6 | 8.a4 Bd7 | 9.Qxc4 Bc6 |
| 10.Bf4 Bd6 | 11.Qc1 Nbd7 | 12.Re1 Re8 |
| 13.Nc3 Bxf3 | 14.Bxf3 Bxf4 | 15.Qxf4 c6 |
| 16.a5 Qe7 | 17.Red1 Rad8 | 18.Bg2 h6 |
| 19.Ra4 Nf8 | 20.Qe3 Ng6 | 21.Qc1 Rd7 |
| 22.e4 Red8 | 23.e5 Ne8 | 24.f4 Nc7 |
| 25.Qe3 Nb5 | 26.Ne4 c5 | 27.Nxc5 Qxc5 |
| 28.dxc5 Rxd1+ | 29.Bf1 Ne7 | 30.Rc4... |

QUESTION :
Black to Win

Puzzle 203 Ans. :
40. ...Qxe5 41.Rxf7 Rg8 42.Re7 The white rook skewers Black's queen and rook. Kh8 43.Rxe5
43. Qxe4 Qxe4 44.Rxe4
41. Rxf7 Rg8 42.Re7

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com